ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯱꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, এপ্রিল ১১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ০১৮শুবা মশীং

# কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অমসুং লোকদাউন

## ৱানরিঙৈগী চৈরক্তা পোলিটিকেলগী চরাংনবা থোরকপা লাইবক থীবনি

মার্চ ২৪দা ইন্দিয়াগী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন লাউথোকখিবগা লোয়ননা দোলর ত্রিলিয়ন ২.৯ লোম ওইগদবা লৈবাক অসিগী ইকনমিক সিষ্টম থিংজিনখিবদগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি। অপূনবা মীশিং বিলিয়ন অমা হেনবা লৈবাক অসিগী মীপূম খুদিংমক ময়ূম-ময়ূমদগী মপান থোকহন্দনা থমখিবগা লোয়ননা এয়র, হায়ৱে অমদি রেল ত্রান্সপোর্ট সিষ্টম থিংজিনখ্রে। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস থেংনখ্রবা মতুং থা অনীরোম লৈরগা হৌজিক অপূনবা কেস মশীং ৬,০০০ হেনখ্রে। শিখিবা মীশিংনা ২০০ হেনখ্রে। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগা মায়োক্লবদা মাঙজিল থারিবা দোক্টর অমা শিবগী থৌদোক ফাওবা মধ্য প্রদেশতা থোকখ্রে। ইন্দোরগী রুপম নগরদা লৈবা ফেমিলি ফিজিসিয়ন অদু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইখিবনি। অহানবদা দোক্টর অদু গোকুলকাস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরম্লগা ইন্দোরগী সী ঐচ এল এপোলো হোস্পিটালদা অমুক লায়েংখি। ফীভম হেনজিল্লকপদগী ওরবিন্দো হোস্পিটালদা হোংদোক্লবা মতুংদা শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ৪ তাবদা অরোইবা য়াহিপ তানখিবনি। অমরোমদা হোশঙ্গবাদকী ইটার্সিদা ক্লিনিক হাংদোক্তুনা লৈবা দোক্টর অমসু কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে। ক্লিনিক অদুদা থবক তৌবা মীওই ৬ নাইতোম লৈহনখিবগা লোয়ননা দোক্টর অদুগা নক্নরুবা মীওই ২০০ রোম ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমখ্রে। কেপিটেল সিটি ভোপালদসু ষ্টেট হেলথ দিরেক্টোরেটতা থবক তৌবা দোক্টর কয়ামরুম পোজিটিভ ওইবগী রিপোর্ট লৈরে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ওদিষাগী ওইনদি লোকদাউনগী মতম এপ্রিল ৩০ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে। ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী পান্দমদা লোকদাউনগী মতম শাংদোকখিবা ষ্টেট ওদিষানা অহানবা ওইরে। ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পাটনাইক্না ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা হায়খি, তানফম অসিদা মীওইবগী পুন্সি কনবনা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং ওইবা মরম্না এপ্রিল ৩০ ফাওবা লোকদাউন শাংদোক্লবা ফিরেপ লৌরে। স্কুল অমসুং অতৈ মহৈ তম্ফম লোইশঙশিংদি জুন ১৭ ফাওবা থোঙ লোল্লগনি। চৈরকসিদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্তা চৎনগদবা কোভিদ-১৯ ইমর্জেন্সি পেকেজ অমা লাউথোকখ্রে। নেসনল অমদি ষ্টেট হেলথ সিষ্টমগী ফীভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা তাঙ্কক অহুম থোক্না পায়খৎকদৌরিবা প্রোজেক্ট অসিগী মনুংচন্না হীদাক লাংথক অমদি মেদিকেল ইক্বিপমেন্ট কয়া লৈশিনবগা লোয়ননা লেবোরেটরি কয়ামরুম হাংদোক্লগনি অমসুং বাইওসিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি। নেসনল হেল্থ মিসনগী দিরেক্টর বন্দনা পুর্ণানিনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্কী এদিসনল চীফ সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অমদি কম্মিস্নরদা থারকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না অথুবা মতমদা ফন্দ থাদোক্লগা কোভিদ-১৯গী দেদিকেটেদ হোস্পিটালশিং শেমগৎলগনি। হায়রিবা হোস্পিটালশিং অদুদা আইসোলেসন ব্লোক অমদি আই সী য়ু হাংদোকপগা লোয়ননা ভের্ন্টিলেটর অমদি ওক্সিজেন সপ্লাইগী অৱাৎপা লৈহল্লোই হায়রি। কুমজা ২০২৪গী মার্চ ফাওবা তাঙ্কক অহুম থোক্না অখন্নবা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎকদবনি।

চৈরকসিদা কোরোনাভাইরসকী কেস মশীং অসুম-অসুম হেনগৎলকপগা লোয়ননা মী শিবগী চাংসু ৱাংখৎলক্লি। কোরোনাভাইরসকা মাঙজিল থানা লাম্হৈংনরিবা হেল্থ ৱার্করশিংনা রিস্ক ৱাংবা হেল্লগসু শিনফম খুদিংমক্তা লৈরিবা মীওইশিং খুদোংথীবা মায়োক্নরকপা য়ানা লৈরে। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা মরমদমগী মীচম-মীয়াম্বু খুদোংথীবা নংহন্দনবা অহিং-নুংথিল নাইদনা থৌরাং কয়া লৌখৎনরিঙৈগী চৈরক্তা মণিপুরগী ওইনা পোলিটিকেলগী চরাংনবা ফীভম অমা লৈরকপগুম তৌরিবসি লাইবক থীবনি। ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না লুচিংবা লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংগী মরক্তা মোৎ মান্নরক্তবা অমসুং অমনা অমবু হুন্দুনা ঙাঙনবদগী হেন্দোক্তুনা পোর্টফোলিও লৌথোকপগী থাক ফাওবা য়ৌরক্লে। দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন হুন্দুনা ঙাঙলুই হায়বগী ৱাহৌদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা পায়রম্বা পোর্টফোলিও পূম্নমক লৌথোকখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশবাবুনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা পায়রম্বা মাহুদ, ফোরেষ্ট, ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অমসুং ইকনমিক্স এন্দ ষ্টেটিষ্টিক্সকী পোর্টফোলিও লৌথোক্লে হায়রি। নোংমা-নোংমগী অনাবা অমসুং মী শিবগী মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা লোকদাউনননা মরম ওইরগা মীপূম খুদিংমক অঙকপা ফংনা অৱাবা মায়োক্লরিঙৈগী চৈরক্তা লুচিংবা মশেল মোৎ মান্নদবগী মওং উৎথোরকপা লাইবক থীবনি। কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা এপ্রিল ১৪ ফাওবা লোকদাউন তৌখিবদগী মীপূম খুদিংমক অঙকপা ফংনা অৱাবা মায়োক্লরিবনি। ইনাক খুনবা ইমুং ফাওবা শেল লৈনা-লৈনা অপাম্বা পোৎ লৈবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। লৌয়াম চাবা ইমুংশিংসু অদুমঙায়রে চাক খক্তা চারগা লৈবা য়াদবনিনা অতৈ অতোপ্পা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবনি। অফং-অফংবা থবক শূরগা নোংমগী খূৎশূমলনা হিংলিবা মীওইশিংনা মায়োক্লরিবা অৱাবদি য়েংহৈদবা ফীভম হায়বদু ওইরবনি। অঙকপা ফংনা অৱাবা মায়োক্লরবা মীয়ামদা লৈঙাক্না নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (এন এফ এস এ) গী মখাদা থা-থাগী চেঙ খরা অহোঙবা মমলদা ফংহনবা অমসুং কনাগুম্বা মীখলদা মীরেপ ওইগে খনবা মীওই খরনা তেংবাঙগী পোৎলম খরা য়েন্থোকপনা ওইবা য়াবা নত্তে। মতম শাংনা লোকদাউন তৌরকপগী মহয় ওইনা লায়রবা ইমুং কয়াদি এন এফ এস এগী মখাদা লৈঙাক্না অহোঙবা মমলদা ফংহল্লে হায়রিবা চেঙ অদু ফাওবা শেল পুথোক্তুনা লৈবা ঙমদবগী ফীভম লাক্লে। তানফম অসিদা শুগনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী ওইনা লোকদাউন হেক লৌথোক্ত্রিবফাওবা লোকল এম এল এনা অচঙবা শেল পূম্নমক পুথোক্লগা কন্সটিট্যুয়ন্সি অসিগী বেনিফিসরিশিংদা এন এফ এস এগী চেঙ লেম্না ফংহল্লগনি হায়রিবসি পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি। মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা অতৈ অতোপ্পা কন্সটিট্যুয়ন্সি ৫৯গী এম এল এশিংনসু মীয়ামগী মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎপা মতম ওইরে। এম এল এ অমনা তৌবা ঙম্বা থবক্তি অতৈ এম এল এশিংনসু তৌবা ঙম্ফম থোকই। ইনাকখুনবা অমনা লায়রবা ১০ শৌগৎপা ঙমদে হায়নবা ৱাফম লৈবা তারগসু এম এল এ অমনা চপ য়ুংনা তৌগে খল্লবদি মীয়ামগী অৱাবা ফনা য়াম্না কোকহনবা ঙমগনি খল্লি। লুরবা তানফম অসিদা করিসু লৈতবা ৱাফম খরদা য়ূম্ফম ওইরগা পোলিটিকেল ক্রাইসিস থোকহনবগী মহুত্তা রুলিং, ওপোজিসন খায়দনা এম এল এ পূম্নমক কোক চুংশিন্নরগা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি


**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

নুংশিজরবা এদিটরগী মফমদা হায়জরি মদুদি হৌখিবা মার্চ ৩০দগী হৌদুনা ৱাঙ্গৈাই এ সীগী ওনরেবল এম এল এ ওইনাম লুখোইনা ইলেক্ত্রিক পম্প ৫, কে আই ৩ পীবিদুনা ময়াং ইম্ফাল চিরাইদগী ঈশিং চিংবা হৌদুনা ঙসিদি য়ূম্নাম হুইদ্রোম মখা লৈকায়গী ৱাই পি সী গ্রাউন্দ মনাক্তা লৈবা পুখ্রি অচৌবা য়ৌদুনা লৈকায়গী পুখ্রি অচৌবদা ঈশিং ফংবা হৌরে। হায়রিবা ঈশিং অসি মতম কুইনা ৱানদুনা লৈরম্বনি। অদুবু মীয়ামগী অৱাবা অসি ওনরেবল এম এল এ ও লুখোইনা খঙবীদুনা ঙসিদি ঈশিং য়ৌহনবীরে। ওনরেবল এম এল এ ও লুখোইনা মশাগী জে সী বি মেছিন পুথোক্তুনা ঈশিং লাকফমসু শেম্বীখি। লোয়ননা মহাক্না ঈশিং অসি য়ূম্নাম হুইদ্রোম মখা লৈকায়দা নত্তনা পাওবিতেক, য়ূম্নাম হুইদ্রোম থিয়াম লৈরক, সাপম লৈরক, লোংজম লৈরক অমদি অতৈ মফমশিংদা ঈশিং পম্প অসিনা য়ৌবা য়াবমখৈ ঈশিং য়ৌহনগনি হায়রি। লোয়ননা য়ূম্নাম হুইদ্রোম মখা লৈকায়গী মীয়াম্না মহাকপু অপেনবা পোক্তুনা মহাক্না তৌরুবা থবক খুদিংমক্তা অমদি মীয়ামগী থৌগল মতম পূম্বদা তৌবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না য়াইফ থৌজাল পীবগা লোয়ননা নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*অদোমগী - ওক্রম প্রেমকুমার*
*সেক্রেটরি জেনরেল*
*দি য়ঙ প্রোগ্রেসিভ ক্লব, য়ূম্নাম হুইদ্রোম মখা লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

# চেঙ মরূ তরাদা থুংলবসু

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



লোকদাউন মনুংনি। লম্বীদা মপান থোক্লদে। য়ূমদা লৈবসু, য়ূমদগী থোরক্লগসু মী অমগা মী অমগা ফুট অহুমদগী তাদনা লাপ্নৌ হায়রি। য়ূমদগী মপান থোক্কনু হায়বদগী মী অয়াম্বা কিবোই, খংবোই মপান্দা থোক্লদবসু য়াওরি। য়ূমদা লৈরবসু মী অমগা মী অমগা মিটর অমমম লাপ্নৌ হায়গৎলকই। নহানমখৈ ইনক নক্না লৈমিন্নরবা ইচা-ইনাও, নুপী-অঙাং, ইমা-ইপা অমগা অমগা লাপ্ননা লৈনৌ হায়রকই।

লাপ্ননা লৈবদি ইঙম ঙম্মদে অমগা অমগা ওনশিন্নরগা লুদো খাওবা, জ্বার শান্নবা, ৱারেম ৱাচোই ঙাঙনবা অসি নত্তনা তৌনীংঙাই লৈতবদৌনা তৌরি। মীনা তাবা য়াবা ৱা নত্তে। লোকদাউন থুগায়বা হায়দোকপোই নীংগনি। ৱাখ্রবা লোকদাউননি লুদো শান্নবা ঙাক্না পেনবা নাইদে। মীৎমক্লদি উদ্রি, লোকদাউন মনুংদা লুদো শান্নবা নত্তনা করিদি তৌনি হায়রকপদগী ঐনা সুম ৱাউরি-ৱাউরি তাহৌবগী ৱাদনি।

মী পূম্নমক নাউশোন্নে। য়ূমদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈবগুম্বনি। নৎপুদি নত্তবা! অসুক কুইবা মতমবু য়ূমদগী হেন্দোক্তুনা লৈয়ু হায়রকপদা লৱাই শম চপ চপ য়ুংজখি ঐদি। লৈবাক্কী ফনবনিনা খাঙলগে হায়দুনা খাঙবা হৌই। লৈবাক্কীদমক্তা অফবা অমত্তা তৌবা ঙমদ্রবসু লৈবাক্কীদমক্তা ফত্তনবা থবক অমত্তা তৌদ্রবা মী অদুসু সোসল ৱার্করনি হায়বগী ৱাখল্লোন অসি থম্মোয়দা চেজেৎ শাগোন্নজরগা।

লুদো শান্নবসু ৱাশক্লক্লে। জ্বার শান্নবসু খ্বাং তেক্কদৌরে। মীৱা ঙাঙনগে হায়রবসু মীৱা ঙাঙফম লোইশিল্লক্লে। ফেসবুক পায়বসু কোক চিক্লে। লাইককী পায়বসু মীৎলি নারে। য়ুট্যুব য়েংবসু বিভুলা চুশিল্লক্লে। ৱাখল অসি কৈনোমা তৌশিল্লক্লে।

মরকসিদা লৈজরম্বা থুম, চেঙ, থাউ, ঙারি, মোরোক লৈশিল্লক্তরে। এম এল এনা অচাথাউ লিক্লি মচা অমা, কোবি অমা, আলু কেজি অমা, হৱাই পৱা অমা অয়োকপা মচাদা পীজবগুম্না পীবিরে। পূক্নিং য়াম্না নুংশিখ্রে। অসিগী থাক অসি য়ৌখ্রবকো। মী য়াম্বা ইমুংদদি নোংমগী চারা ওইনা তৌরি। থা অমা চাবা তাই। হৈনা শিংনা। হৈ শিংলবদি মদুনা থা অমা লায়না কোন্নবা য়াই খঞ্জরগা নোক্লপ তৌজরগা ইথন্তা পেন্থোকপা তমজৈ। রেদিও, পাউচে অমদি টেলিভিজন্দা হায়রকপা চাংগা য়ূম য়ূমদা ফংলিবা চাং অদুগা য়াম্না থীনা খেন্নমনবা অদুদা থম্মোয়নুংদা সুম হায়দোকপদি ঙমজদনা য়াম্না চাক্লা, চাক্লা খাঙদুনা লাকই। মসিবু করিগীনো? শেল পায়রবসু চেঙ ৱানফম লৈনরক্তবা মতাং অসিদা অমুক ফৌমায় চাবী খোৎপী অমুক তৌখৎলক্লিবসিনা, তাঞ্জাসিদা নৎত্রবদি য়ানদ্রবজাৎলা? ফেসবুক্তা চেঙ চাক শুনা য়েল্লমদ্রে হায়না অমনসু অমনসু পংথা থাগৎনরম্বদগী এম এল এ খরনদি য়েনবা ঙম্মোই, লৈঙাক্না পীথরক্লিবা চেঙ অদু মীয়ামদা য়েনবদা কোন্নদে হায়না ফোংনা হায়নরকপা য়াওখৎনরকই। লৈকায় অমগা লৈকায় অমগা, এ সী অমগা এ সী অমগা পোৎয়েন চায়েন্দা য়োংলৈ-মেলৈ নাইনা য়েনবগী মমি চাউনা তারকই, মমৈদদি চেঙ-চাক্লা মরম ওইরগা লৈঙাক্তসু কোক চিকপা হৌরকই।

মতাং অসিদা তোল্লবা ননাই তোনত্রিক তোল্লিবা ঐনা ৱাহং অমখক হংদোকচবা পামজৈ। ইকুবোক ঐ অমুক্তং শাউগৎচবা য়াগদ্রা হায়বগী মওংদা। চেঙ চাক্কী মতাংদা ৱা য়াম্না ঙাঙবসি কয়া লেমদনসু লৌনগুমসু তৌই, য়াম্না চোপচবা, য়াম্না লৈজদবা, য়াম্না ৱা পেৎচবা ওইনদি লৌনরবসু ঐ অদুম ৱাহং খরা হংজগে, মসিদা খুম্বীয়ু।

১) চেঙ পীগদৌরিবা লৈকায় লৈকায় অদুগী চেঙ পীগদৌরিবা মী মশীং অদু লৈবাক মীয়ামদা খঙহনবা শুংয়া য়াদ্রবরা?

২) লৈঙাক্না পীথরক্লিবা চেঙগী চাং অদু মীয়াম খঙহনবা শুংয়া য়াদবরা?

ৱাহং অনীসিগী পাউখুম মীয়াম্না খঙজবা তারবদি চেঙ ৱাৎনা য়েল্লি, য়েন্দে হায়বা ৱাকৎপগী, চৈনবগী, হুন্নবগী ৱা অমফাও লৈররোই। চেঙ মরূ তরাদা থুংলবসু কনাম শাউনররোই ৱা লোইজরে। ... মী লোইনা থবক শূদনা লৈনরিবা মতমনি অশোয়বা লোইনা উনৈকো! ●

# পূম্নমক শেন্দান লম্বী মাল্লকপা

**নবকুমার ওইনা**

পুন্সিবু লল্লোনবা লাকপনি খনবসি লৈবাক মচা তাবা ৱাৎপা মীওইশিংগী শাজৎ ওইরগনি। শেন্দোং য়াম্না পাম্বসিসু চাওখত্তবা শাজৎনি খন্নরিবনি। মপোক খুদিং শেন্দোংগী লাকপনি হায়রবদি উ-ৱা, নাপী-শিংবী, শা-ঙা, তীল-কাংশিংগী মমাঙদসু খন্থনীংঙাই ওইরকই হায়গনি। শেন্দোং পাম্বসি মীওইবা নত্তবা শা অতৈ অমা লৈরমগদৌবা মাল্লক্তে। চোমলাক লাকপদুনা শাগী শাজৎ অশেংবনি। মদুমক মতৌ তম্নরকপা তারবদি মী ঐখোয়গী সিভিলাইজেসন অমা লৈজৈ হায়বসি চিন থীবা তারক্কদৌরি। মীনা মীনি খন্নদবসু মরৈরিবনি।

কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিক লাকপগী মহাও মপূং ফানা খঙবদি ফংলরোই। মসিমক ঐখোয়'শ্বায়গী লাইবক ফবা অমনি খন্নরিবনি। মদুমক হোৎনজমনগী মহয়নি খঞ্জিনবদি শেন্দোং য়াম্না পাম্বা তাগনি খল্লি। মীংচৎ হায়বসিসু পুন্সিগী শেন্দোং ওইনা খন্নবা মাল্লক্লিবনি। মিংচৎকীদমক থবক তৌবদি লাল্লি হায়বদি লাইরিক খরদা ইরগা লৈবা ৱানি। লাইরিক্তু পারবসু-পাদ্রবসু ওন্ন-তৈননা অদুম খন্নবা মাল্লি। লমজেল য়াঙবনা নিংথৌ ওইদৌবনি হায়বসি মীংচত্তু লান্না শীজিন্নবগী ৱাখক নত্তনা লৌশিংদু লান্না পুরিবনি। মীংচৎকীদমক ৱাথোক শাগৎনরিবসি, শেন্দোংগী লান মনুংদনি খল্লি। থিকা তৌরগা, লল্লোল্লগা শেন্দোং হেন্না তাল্লগা ভোট লেপ্লগা মিনিষ্টর ওইবা য়াবা লমদম হায়বসি অতাঙবা অমনি হায়গনি। শেন্দোং ফজনা তানবা অমনি, অদুনবু ক্বা মনা টন তরানিথোই এরোপ্লেন ৱায়রগা লল্লোনবা য়াবা লমদম ওইনা মীংচৎসু ফংলেদনা। মিনিষ্টরকাক ওইরক্লবগী হোৎনবনি খল্লি। মীংচত্তি অদুম ফংলে, কান্নবা-কান্নদবগী ৱাদুনা অমনি। টার্গেত্তি ক্রোরনি।

কোরোনাভাইরস ফজনা শন্দোক্লম্লবা লল্লোনবগী ৱাসি পুমথা-থাদোক্নরম্বসু য়ারিবনি। অনাবদু ফজনা শন্দোক্তবগী লল্লোনবা শংনবগী ৱানি। ডোক্তর ফাওবা শেন্দোং হেন্না ফংনবা পুন্সি লল্লোনবনি হায়গেরা, সর্ভিস লল্লোনবনি হায়গেরা শেন্দান লম্বীরোমদা চংশিন্নবা য়াওরক্লিবনি। অহিং হৌগৎলগা চানবা মনা-মশিং, ঙা-চাক খরা পুরক্লগা য়োঞ্জবদু মহৌশা পুলিসনা তোইনা তান্নবদু তোক্তবগী খুল্লক-লৈরক য়ৌরকই। অনাবদুনা চাননা য়ৌরক্লম্লবা লৈরক খুল্লকসি মদুনাকাক্তি য়াগদৌবা মান্দে। হৌজিক্তি লোক-ইন্দা লৈবা ঐখোয়দি কৈথেল মনুংদা লৈবগা মান্নরে। পৈশা পীদনা এঞ্জাং-নাপি, চেঙ-হৱাই পীশিল্লন্মী। থোঙ ফাওবা হাংদোক্লগা ইনশিল্লন্মী। মসিগী শেল্লেপ্না কদায়দগীনো খঙজিল্লক্তে, অমগা অমগা ইমান মান্নদে। শেন্দোংদি মীংচৎকীসু মাল্লি, ভোটকীসু মাল্লি, পাউ নুংঙাইনবসু মাল্লকই। লমদমসিদা চারা হেল্লগা শিবা য়াওগনি হায়বসিমা শুংথা-থাজদে। পুন্সি লল্লোনফমদবু চারা হেল্লগা শিবা য়াওবা হৌনদে।

অনাবসিনা থুৎ লাওরগা তোকখিবগী ফবনি। খায়জিল্লুরিবা শেনয়ামদু কোন্নগদৌরিব্রা, ৱাৎকদৌরিব্রা হ্বাইট পেপর অমুক হায়নরক্কদৌরিব্রা ? ভোটকী পৈশা য়েনবা ফজনা হৈরবা লমদমদা চেঙ-হৱাই য়েনবদি ইরায় লায়বা ৱানি, অদুম হৈগনি, অতৈ লৈবাক্তদি ইউ-উদে। শঙজাও খরা শারগা অনাবা ময়াম থমগনি হায়বদু হেক তোকখিদা, থিকাদি তুমিন্না অদুম থবক্তু শুরিবজাৎলা, তোকখ্রবদি শেন্দোংদু মাঙজৈদনা। তোকহনখ্রিবদুসু অনাবা কিবগী মাল্লক্তে, (অনাবদি লৈসু লৈতনা) শেন্দান লম্বীদু খঙনবগীকাক মাল্লকই। মহৌশা অদুম্না য়েৎনবা ময়াম য়াওখ্রবনিনা হন্দকসু মাল্লকপগী ৱাদুনি। কিবগী শাগদৌরিবনি।

অনাবদি লৈত্রবনি, নারিবা লমদুগী খল্লগা ঐখোয়না লমদমসিদা হিগা য়ৈদুনা লৈবা তারি। লম্বী মতাসিগা ফাওদোক ফাওজিন য়ারিবসিগা খনবগী ৱাতনি, দিটেচ তৌরগা মতম খরা লৈবসু য়াবা ওইগনি। লৌমীশিং লৌদা কুম্বা য়াহনবা, দিষ্ট্রিক্ট ৱাংমা লানবা য়াহন্দবা, ত্রান্সপোর্ট খরনা পোৎ হোনগনি, মীদি পূন্না থাজিল্লোইদবনি, দুকান হাংলবসু য়াগনি। মীনা হায়বগী পঙকিদা কিবা, ইমুংসি খরদং চাউথোক্লা য়েংলগা খুন অমা, লৈকায় অমগী মনুংদদি চেকশিনবগী ৱাখল-লৌশিং ফাওনরগা মাস্ক হাপ্নরগা থবক-ইনখাং শূবা হৌহনবনা চুম্লগনি খল্লকই। মপান্দগী চঙলক্কদৌবা অনাবসি ইমুংদা লৈরবগা মান্নয়া কিবা পোক্লরিবসি মী মরক্তনি। থাজনদবগীনি হায়গদৌরিব্রা নৎত্রগা থাজগনবগী ওইগদৌরিব্রা? পংথা-থাজবসু চুম্বা নত্তে।

অনাবদু লৈত্রবগী ফরবনি, মী পূনগনু হায়না লাওবা চৎলবসু হনখিবগা পুল্লিবা ময়ামসি করিগুম্বা লাইচৎসিনা খুল্লক-লৈরক্তা য়ৌরক্লম্লবা করি থোক্লমগনি। ৱাখলনা লাম্বা ফংবা নত্তে। হৌজিকপু অনাবা হেনগৎলকখিনি খনবা য়ারিব্রা? লমদম অসিদদি চঙহনবা য়াদ্রে হায়বনি-নাদনবা মী অনৌবা চঙহন্দবা, চেকশিনফম থোকপশিং চেকশনবা হৈরবদি থবক শূবদি হৌহনবা য়ারবা নৎত্রিবরা? চাবা খঙদে, চাদবা খঙদে, কিফম থোকপদু কিরি হায়বসিনা থবক শূরিবা পুলিস অমদি ডোক্তরশিংদি থবক শূরি। থবক শূহন্দ্রিবদি হিংনবগী লান্দা ৱাজরবশিংনা ওইরি। মসিবু মী নমথনবা হৌগৎপা ঙমদনবা, ভোট লেপকেগাক হায়রকপা ঙমদনবা মাল্লক্কদৌরি। থবক শূরিবশিংদি মীংচৎ খঙদে, পোৎ ওইনা খঙদে শেন্দোং খরদি ফংলিদনা খল্লি।

মপান্দগী চঙলক্কদৌবা অনাবা অমগীদমক নাদ্রে খঙলবা মী ময়াম পূনবা য়াদে হায়বসি কদায়দনো অমদি হোৎনরিবা মাল্লি। মফম অসিগীদি শন্দোকপা লেপখ্রে হায়বসি খঙলবা, নুমিৎ তরামরিনিগী মতুংদদি অহানবগী ৱাখলদু থাদোকপা তারকই। নারিবা অনাবগী মনাক্তা চঙলগা থবক তৌবদি ঙম্লগা, লম্বী লমজাওদা কোয়চৎ চৎলগা লাওবদি য়ারগা নাদ্রে খঙলবা মীয়াম অমনা য়ূমদগী থোক্লকপা য়াদবা হায়বসি মীওই খরদমক থবক শূগে হায়বনি হায়না লৌই। নৎত্রগনা মীয়ামসি পংলি হায়না লৌবসু ওইবা য়ারি। মীগা শম্নদনা মশাগী ফার্মদা, লৌবুক্তা থবক শূবা চৎপদি য়াহনফম থোকই, দুকান হাংবা য়াফম থোকই। পোৎ য়োনবগী মী পূনবদি য়াবা, পোৎ য়োনবগী মী চংবদি য়াদবা হায়বসিদা থবক শূহন্দবগী ৱাফম য়াওরি। মীয়াম শেন্নবা ঙমদ্রগা মী অনৌবা চঙলকপা শেন্নবা ঙমগনি হায়বদি লৈতে। মীনৌ চঙলকপা থিংবা ঙমদ্রগা য়ূমদা লৈবশিং থোক্লকপা থিংবা হায়বসিদা থবক হৈবা শাবদি লাল্লগনি খল্লি। নোংমা-নোংমগী কিবা হেঞ্জিনগদৌবা ওইরোইদ্রা, কিদবা ঙম্বগা, থবক ঙম্বসু ওইবা তারকই। ঙসিনা করি অনৌবা ৱারেপ লৌবা ঙমগদৌরিবগে? মীনা হায়বা পঙইন ইনবসু অশিবা ওইনা লৌনরকপা য়ারি। ইপা-ইপু শিবগী শোরাৎ, ফিরোই ফাওবা শোন্দ্রবগুম কিরবা হায়বসি হিংবা ঙম্বগী শাজৎ য়াওরিবনি হায়না লৌদবসু য়ারিবনি। ক্বারন্টিন খঙলে, কন্টেন তৌবা য়াওরে, দিটেচ তৌবসু হৈবা তাবনি। খূৎ চাম্বনা য়ারগনি হায়বদি লৈতে, কোক শেন্নবা অমা চংলি। মী লন্না চৎপা হৈবা তারি, থৌদোক থোক্লবসু মী পূন্দনা (লাপ্না-লাপ্না) পাঙথোকপা য়াবনিনা পার্মিসন লৌরগা পাঙথোকপা য়াহনফম থোকই। অনাবা শন্দোক্তবসিদি চাননা শন্দোক্লক্তবগী ওইগদৌরি। খরগা থেংথনা খঙলকপা ওইরম্লবসু চীংলোন কয়ানা কোয়শিনবা ওইবগী য়ু ভি ৱাংবগী লাইবক ফরম্বনি হায়বদি খঙনরে।

লাইবক ফবা হায়বসি লাইনা তম্বা নত্তে। লমদম অসিগী মীওই কয়া মপান্দা লৈরি। পুশিল্লকপা তারিব্রা? চঙলকপা খুদিং ক্বারন্টিন তৌখিবা তারিব্রা? মদুমক তৌখিবা তারবদি শঙজাও খরা শাখিবা তারক্লি। লাই খুরুম্বা য়াওনরক্লিবসি কোভিদকা মরী লৈনবা মাল্লক্তে। ৱাখল্লোন অদুগী চগো মনুংদগী থোক্লকপা ঙমদ্রবদি খূৎ চাম্বা হৈবনা য়াগদৌবা লৈতে।

ফীভম অসিদা অসুম লৈগদৌবদি নত্তে। অমনা কিরগা মী লোইনা কিহনবা তাগদৌরিব্রা ? অপঙবনা অকিবা খঙদবা তাবসু লৈরিবনি। মরক অসিদা লাইরিক তম্বা ফংদবগী ৱাসু য়াওরি। ৱাথোক অসিদি টেক্স বুক্তা য়াওদবা অচৌবা পাড়া অমনি, নোংমগী পাবা তোকপা য়াদে, চহী পরিক্ষাদা হংগনি হায়ববু য়ারিবনি। ফম্নাইবশিংগী পরিক্ষাদি হৌজিক-হৌজিক তৌরিবনি। চহী অনী লৈরগা হায়দোক্কদৌরিবনি। ক্বেসন মুন্নবগী, পোর্টফোলিও মুন্নবগী ৱাফম ঙাঙনরক্লিবসি অফবা লায়না নত্তে, কোভিদ মখল অমনি হায়গেরা, কোভিদতগী হেন্না শাথীবনি হায়গেরা অমদি ওইরনি। কোভিদনা থবোম্বীদা নাবনি, অমসিনা কোক্তা নাবনি খল্লি। মসিসু শেন্দান লম্বী ওইবগী শেন্দোংগী য়েৎনরকপনি হায়গনি। মীংচৎ মুন্নগেরা, পৱার মুন্নগেরা, ইগো মুন্নগেরা, লৈঙাক মুন্নগেরা, পর্সেন্টেজ মুন্নগেরা, চেঙ মুন্নগেরা পূম্নমক শেন্দাল লম্বী ওইনা উরকই।

কোভিদ-১৯না পাউজেল অমদি পীরে। শেন্দোং লৈবা থবক নৎত্রবদি শূররোই হায়বা য়াওরবরা? মীওইবা খুন্নাইগী অপূনবা শেন্দোং হায়বগা মী অমনা ফংবা শেন্দোংগা মান্নদবদি য়াই। লৌশিং ওইনা ফংলিবদি নায়তোম তানীংবশিং কয়া কুইনা নায়তোম তাখিগে হায়বনো হায়না হংলকপগুম্বনি। শম্নদনা লৈবা, চাদনা লৈবা য়াব্রা হায়বা খঙহল্লে। অদুগা নাপল অমদা অৱাৎ অপা য়েংশিনবীদ্রে হায়বসি থৌদাং লৌগদৌরি হায়রিব্রা? পঙশিন্নরগা অতোংবদা পাম্বা মাল্লকপদুনি। লায়না শন্দোক্লকপসি থেংনবদা মীয়ামগী থৌদাং লৈবনি হায়না লাওগনি। লৈঙাক্কী থৌদাংনা, চেঙ য়েনবগী থৌদাংনা মীওই খরতনা পায়নীংগনি। লোকদাউনগী লাওবসু মী খরতনা লাওগনি হায়রবদি ৱাখল থেনবা ঐখোয়নদি শেন্দান লম্বী ওইনা উরকপদুনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।